**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 27-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী জিলা ৫ গী পুলিস ষ্টেসন ১৩ না কোনবা মফমশিং নত্তনা অতৈ মফম পুমমক্তা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস থা ৬ অমগা মখা তানা শাংদোকখ্রে।

২) লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম রাজ্য অসিদসু ৱার্ল্ড তুরিজম ডে ঙসি পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) রেল গাড়িশিংদা ড্রগ পুথোক পুশিন তৌবা অমদি আইন কায়না লল্লোনবগী থবক থিংনবা এম.সি.বি অমদি রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলে।

------

অফস্পা (এল)ঃ রাজ্য অসিগী জিলা ৫ গী পুলিস ষ্টেসন ১৩ না কোনবা মফমশিং নত্তনা অতৈ মফম পুমমক্তা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসিয়েল পৱারস এক্ট ১৯৫৮ গী মখাদা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস লাক্লিবা ওক্তোবর ১ দগী পারগা থা ৬ অমগা মখা তানা শাংদোকখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রালয়না চেরোল অমা থোকখ্রে। চেরোল অসিগী মতুংইন্না থা ৬ দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস শাংদোকপদা কোনশিল্লোইদবা জিলা মঙাগী পুলিস ষ্টেসন ১৩ অদুদি- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা ইম্ফাল, লমফেল, সিতি, শিংজমৈ, পাৎশোই অমসুং ৱাংগোই পুলিস ষ্টেসনশিংনি। ইম্ফাল ইষ্ট

জিলাগী ওইনা পোরোমপাৎ, হৈঙাং অমসুং ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনশিংনি। থৌবাল জিলাগী ওইনা থৌবাল পুলিস ষ্টেসন, বিষ্ণুপুর জিলাগী বিষ্ণুপুর অমসুং নম্বোল পুলিস ষ্টেসননি। অদুগা ককচিং জিলাগী ওইনা ককচিং পুলিস ষ্টেসননি।

পুলিস (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল শাবল লৈকাইদা থা অসিগী ১৯ দা ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসতা এম্বুস তৌবদা চেন্নবা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ পি.এল.এগী মীওই অনি অমসু মখা তানা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ফারে। এম্বুস অদুদা হকথেংননা চেন্নবা মীওই অমসু সেক্যুরিতি ফোর্সনা হান্ননা ফাখ্রবনি। ফারবা মীওইশিং অদু মচিন হংবগী থবক চথরি।

মণিপুর পুলিসকী পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা রাজ্য অসিগী চিংনবা মফমশিংদা কোম্বিং ওপরেসন অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথরি। পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চখবদা কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা শওম্বুংদগী ফারে। মহাক যুনিভর্সিতি, ইন্দষ্ট্রিয়েল দিভলপমেন্ট, স্কুল অমদি মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি।

অমরোমদা, আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলুপ আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু বিষ্ণুপুর জিলাগী তেরা উরক চ্যেক পোইন্টতগী ফারে। ফারবা মীওই অদু সেক্যুরিতি ফোর্সনা চৎথোক চৎশিন তৌবগী ঈ-পাউ পীথোক পীশিন তৌবদা চেন্নবনি হায়রি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা অমদি সিম কার্দ অমা ফাগৎলে।

নেসনেল হাইৱে-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ চৈ থন্না য়াওরবা গাড়ি ২৬১ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালদা পুশিল্লকখ্রে। নেসনেল হাইৱেশিংদা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবদা অশোই অঙাম থোক্তনবা অকনবা ঙাকশেলগী থবক লৌখৎলে হায়রি।

তুরিজম (এল)ঃ লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম রাজ্য অসিদসু ৱার্ল্ড তুরিজম ডে ঙসি পাঙথোক্লি।

মপুং ওইবা থৌরম মণিপুর তুরিজম অমসুং মণিপুর এসোসিয়েসন ওফ টুর ওপরেটরনা পুন্না শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থাংমৈবন্দদা লৈবা চৈরাউচীংদা পাঙথোক্কনি। কুমশি চহিগী হিরমনা তুরিজম এন্দ সষ্টেনেবল ত্রান্সফোর্মেসন হায়বসিনি। থৌরম অসিদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি পুনিত কুমার গোলয় অমসুং রাজ্যপগী প্রিন্সিপাল সেক্রেতরি শ্রী অরুনকুমার সিনহা শরুক য়াগনি।

পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ পাউ কাংবুগা অখন্ননা উন্নবদা মণিপুর তুরিজম বিভাগী দিপ্যুতি দাইরেক্তর শমুকচম জেম্মিনা হায়- নুমিৎ অসি য়ুনাইতেদ নেসন্সকী ৱার্ল্ড তুরিজম ওর্গনাইজেসন্না লম কোইবগী চৎন-কাংলোনশিং মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা চহি খুদিংগী পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

নারি (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী চীফ মেদিকেলগী ওফিসারগী মীৎয়েং মখাদা স্বাস্থ্ নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা খাইবৈশোই টেম্পররি সেন্তর হোমদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা লৌনগনদবা লায়না, ঐচ.আই.ভি, হেমোগ্লোবিন টেষ্ট তৌবা য়াওনা কাউন্সেল্লিংনচিংবা পীখি। পুন্না মীওই ১২৫ শরুক য়াখি।

অমরোমদা, স্বাস্থ্ নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির এস.সি তাকয়েল খোংবাল, অৱাং খুনৌ, কোঞ্জেং লৈকাই, ময়াং লাংজিং, কোকচাই অমসুং সেকমাইগী কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তরদা লেমা লায়েংবগী কেম্পশিং পাঙথোকখি।

মেলা (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মিসন্না থোংজ, কৈরাও অমসুং ধুরবাতারা ক্লষ্ট লেবেল ফেদরেসনশিংগা খুৎশমরগা রুরেল রুটস মার্কেটকী মতাংদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা মেলা অমা ইরিলবুং হাইস্কুল গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে। মেলা অদু কংলৈপাক ৱিমেন মল্টিপরপজ কোওপরেতিভ সোসাইতিনা শিনবনি। মেলা অদুদ নুপীশিংগী সেল্ফ হেল্প গ্রুপকী ষ্টোল ৮০ হেন্না হাংদোক্কুনা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং য়োল্লি।

কলেজ (এল)ঃ ঐচ.আই.ভি-এইদস অমদি সেক্সুয়েল্লি ত্রান্সমিতেদ ইনফেক্সনগী মতাংদা কলেজ মহৈরোইশিংবু মমুৎ তানা খঙহনবগী থৌরম অমা তমেংলোং কলেজদা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর এইদস কন্ত্রোল সোসাইতিনা লেপ্তুনা চথরকপা থৌরমশিংগী শরুক অমা ওইনা কলেজ অসিদসু থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি।

এমসিবি ঃ লৈবাক অসিদা ড্রগ পুথোক পুশিন তৌবা অমদি আইন কায়না লল্লোনবগী থবক থিংনবা লৌখৎপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা নার্কোটিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো (এম.সি.বি)না ইন্দিয়ান রেলৱেজগা খুৎশমরগা অখন্নবা থবকশিং পায়খৎকদৌরি। থবক অসি নিংথিনা পায়খৎনবগীদমক এম.সি.বি অমসুং রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সকী দিরেক্তরশিংগা উন্নদুনা হিরম কয়াদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং য়াৎথোক্লে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা এম.সি.বিনা হায়- ড্রগ লান্না শিজিন্নবগী মাংজবনচিংবা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবা এৱারনেস কেম্পেন কয়া পাঙথোকপা, রেল গাড়ি অমদি রেল ষ্টেসনশিংদা মানস হেল্প লাইন নম্বরশিং থেৎপনচিংবা য়াওরি। মসিনা ড্রগকী মতাংদা পেসেঞ্জরশিংনা এম.সি.বি অমদি অতৈ মরী লৈনবশিংদা ঈ-পাউ পীথোক পীশিন তৌবদা লাইথোকহল্লগনি। রেল গাড়িশিংদা কানি, গঞ্জা অমদি অতৈ ড্রগশিং পুথোক পুশিন তৌরিবা কয়া অসি থিংবদা খোঙথাং অসিনা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়বগী থাজবা এম.সি.বিনা ফোংদোক্লি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি উরিষাগী জরসুগুরাদা চৎকনি। খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা অমৃট ভারত এক্সপ্রেস রেল লমথাগনি। লুপা কোতি লিশিং ১,৭০০ চংনা পায়খৎখিবা রেলৱে প্রোজেক্ট অসিনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনগী পাম্বৈ হেন্না ফগৎহল্লগনি। প্রধান মন্ত্রিনা বি.এস.এন.এলগী স্বাদেশি ফোর-জি ষ্টৈকসু হৌদোক্কনি। প্রধান মন্ত্রিনা অন্তো দয়া স্কিমগী মখাদা বেনিফিসরি লিশিং ৫০ দা তেংবাং পীগনি। প্রধান মন্ত্রিনা আই.আই.টি ৮

হাংদোকবা ৱাফমসু লাউথোক্কনি। শ্রী মোদিনা জাসুগুৱাদগী অল্লিপলি গ্রাউন্দদা নমো য়ুবা সমাবেস থৌরমদা ৱা ঙাংগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোকফমদা ইরাবত লৈখিদবগী ৭৪ শুবা কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে, লৈঙাক পায়রিবা পোলিতিক্স তৌরিবশিংনা ইরাবতকী ৱাখল্লোনদা তুং ইল্লবদি মণিপুরদা অৱা অনা অমত্তা থোক্লমলোই হায়বা পাউ পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী পুলিস ষ্টেসন ১৩ না কোনবা জ্রিসদিক্সন নত্তবা মফমশিংদা থা ৬ কী ওইনা অফস্পা শাংদোকহল্লক্লে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- ফোংনরিবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ অমা ওইনা ফোংবা থেংনরি।

দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সকী ওফিসিয়েলশিংনা দুকানশিংদা জি.এস.টি টু পোইন্ট জিরো ঙাকা চৎলিব্রা য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী এনকর কলমদা ফোংলি।

রিমসকী দাইরেক্তর অমদি এম.এস মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোক্কদবনি হায়না মহৈরোই লুপ ৬ না ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সপরমৈনা পুলিসনা শেল পীয়ু য়াদবগী দ্রাইভর অমা ফুরগা ফাজিনখ্রে, চেন্নবা পুলিস সস্পেন্দ তৌদ্রবদি ষ্টিয়ারিং পায়ররোই, লৈঙাক্কা ৱারীসু শান্নরোই হায়বা পাউনা সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতসু অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

দ্রাইভর ফুরকপদা চেন্নবা পুলিস পার্সোনেল সপেন্দ তৌনবা দিমান্দ তৌরি, ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং হৌখ্রে, গাড়ি লেপখ্রে হায়বা পাউ শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সনা ইম্ফালদা ইন্তেন্সিফাইদ মার্কেট দ্রাইভ অমা হৌদোকখ্রে, দ্রাইভ অসি নৌনা শেমদোক্লবা জি.এস.টি রেটকী মতাংদা এৱারনেস পীনবনি হায়বা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংবা থেংনরে। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

অনওথোরাইজ ওইবা পেত্রোল্লিয়ম প্রদক্টশিং য়োনবা দিপার্টমেন্ট ওফ কঞ্জুমর এফ্যারস, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন্না অথিংবা থমখ্রে হায়বা পাউ অমা মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিউ মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

৭১ শুবা ৱাইল্ড লাইফ ৱিক নোনে জিলাগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসতা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা সেনাপতি জিলাদা মোদেল রুরেল হেলথ রিছার্স য়ুনিত অমা হাংদোকপীয়ু হায়না অনসমনা গভর্নর, চীফ সেক্রেতরি অমসুং কম্মিসনারদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

------